# এমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী রিকোভরি সেক্সননা অকনবা থবক লৌখৎলক্ত্রিঙৈদা দিফোল্টর দ্যুশিং পীথোক্কদবনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) : চহী খুদিংগী ফাইনান্সিএল যর লোইশিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা এমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও) না ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদগী দিফোলটিং দ্যুশিং রিকোভর তৌনবা থবকশিং লৌখৎলক্লি। মসিগীদমক রেভন্যু রিকোভরি সর্টিফিকেট য়াওনা দিফোল্টর ওইরবশিংদা ফাওবা সোফ্ট নোটিসশিং রিমাইন্দর ওইনা থারবা মতুংদা চথুরি হায়রি।

ঈ পি এফ ও অসি পেন্সন ফন্দগী মেনেজিং বোদি অমনি অমসুং পব্লিক সেক্সন য়ুনিটশিংদা লন্নাই ওইনা থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী প্রোভিদেন্ট ফন্দ অমসুং ইন্সুরেন্স ফন্দনি হায়রি।

কনাগুম্বা এমপ্লোয়র/ওর্নর অমনা ঈ পি এফ পীবদা দিফোল্টর ওইরবদি মসিগী পোলোইদা ভিক্টিম ওইগদৌরিবসি লায়রবা শিন্মীশিং/এমপ্লোয়ীশিংনি। মখোয়দি সোসল সিক্যুরিটি বেনিফিট ফংনবগীদমক শেল তাঞ্জবনি হায়বগা লোয়ননা ঈ পি এফ অমসুং এম পি এক্ট, ১৯৫২গী মখাদা মখোয়দা সোসল সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লক্লিবনি হায়রি।

ঈ পি এফকী ওইনা নীধি আপ কে নিকট, ৱেবিনর, পেন্সন অদালটনচিংবগী মতম মতমগী ওইবা থবক থৌরমশিং চথরক্লি। মসিনা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা সোসল সিক্যুরিটিগী বেনিফিটকী ৱাখল্লোন চেলহনবদা নত্তনা এক্ট অসিগী মখাদা তৌদবা য়াদ্রবা প্রোভিজনশিংসু ওইহনবগা লোয়ননা এক্ট অসিনা পীবা প্রোভিজনশিং থবক্তা ওন্থোক্লবদি মখোয়গী মথক্তা চৈরাক পীবা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা স্কিমশিংসু শেল্লে হায়রি।

মমাঙ থাগী ২৭তা ঈ পি এফ ওনা 'নীধি আপ কে নিকট ২.০' হৌদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ত পুম্নমক্তা চাং নাইনা ঈ পি এফ ওগী সর্ভিসশিং ফংহল্লক্লি হায়রি। লোয়ননা ঈ পি এফকী মায়কৈদগী মরী লৈনবা এক্টকী মখাদা বেঙ্ক এটেচমেন্ট একাউন্টশিং মাঙজৌননা ইস্যু তৌখ্রবশিংনা এন আই টি, মণিপুর, স্মার্ট য়ুনিভর্সিএল একাদেমি, পব্লিক হোস্পিটাল এন্দ রিসস ইন্সটিট্যুট, স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল, মৌর্য্য কন্সত্রক্সন, মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং গোন ভেল্লি ট্রাভেলস সর্ভিসেসনি হায়রি।

দিফোল্টর ইষ্টাব্লিসমেন্ট পুম্নমক্না মখোয়গী দিফোল্টিং দ্যুশিং পীথোক্তুনা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টকী ঈ পি এফ ওগী রিকোভরি সেক্সনদগী অকনবা থবকশিং লৌখৎলক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# জে সী আই এল পি এসকী দ্রাইভতা আই...

*লামায় ১গী মখা...*লোয়ননা অসিগুম্বা কার্দশিং পায়রল্লিবা মীওইশিং অসি কুমজা ১৯৫১গী মমাঙদা লাকখিব্রা হায়বগী ৱাহংসু থোরক্লে হায়খি। মরম অসিনা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী নন লোকলশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়রদুনা লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৬১বু বেজ য়র ওইহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদুসু য়াবা ঙল্লোই হায়খি।

কুমজা ১৯৫১দগী ১৯৬১ ফাওবগী মনুংদা ইমিগ্রেন্ট লাখ ৩ রোম মণিপুরদা চঙলকখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মরম অসিনা কুমজা ১৯৫১দগী মণিপুরদা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স থোকহল্লকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৫১বু বেজ য়র ওইহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাকপনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা জে সী আই এল পি এসনা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়খি। ঙসিগী দ্রাইভ অসি চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুর শিনবা থুংনা য়ূমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং অমসুং ভেলিদ ওইবা পর্মিট য়াওদবা নন লোকলশিং লৈব্রা য়েংনবা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লৈঙাকপু শৌগৎলদুনা অমসুং আই এল পিগী সিষ্টমবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক চথবনি হায়খি। দ্রাইভ অসিমক অতোপ্পা মফমশিংদসু ক্লব অমসুং মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা চথখিগনি হায়খি।

# গুজরাটকী কোর্ট অমনা রাহুল গান্ধীবু চহী ২গী...

*লামায় ১গী মখা...*পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লি অমদা রাহুল গান্ধীনা 'মোদি' হায়রিবা য়ুম্নাক্কী মমিং অসি য়াওবা মীওই পুম্নমকপু দিফেম তৌখি হায়বসিনি।

রেল্লি অদুদা রাহুল গান্ধীনা 'হুরানবা পুম্নমক্না করিগীদমক মোদি হায়রিবা য়ুম্নাক অসি লৌরিবনো' হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগী ভিদিওগ্রাফশিং ভিদিও সর্ভিলেন্স টিমনা লৌহৌখিবগা লোয়ননা ভিদিও ভিয়ুয়িং টিম অদুবু কোলার দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা নোটিফাই তৌখি হায়রি।

সুরটকী কোর্ট অসিনা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অসি চথুরকখিবদা গুজরাট হায় কোর্টনা থল্লম্বা ষ্টে ওর্দর অদুনা চহী অসিগী মমাঙ থাদা লৌথোকখিবনি। গুজরাট হায় কোর্টনা ষ্টে ওর্দর ভেকেট তৌখিবদগী রাহুল গান্ধী মশামক কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা কোর্টতা লাকখিবা মরিরক শুরে হায়রি।

কোর্টনা মহাকপু চহী অনীগী ফাদোক পীরবসু মহাক্কী মায়কৈদগীদি মহাক্লা ফোঙদোকখি হায়রিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা 'মালাফাইদ ইন্টেন্সন' লৈখিদে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মমাঙ থাদা কেমব্রিদজ য়ুনিভর্সিটিদা এম পিসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা পীখিবা স্পিচ অমদা য়াওখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা বি জে পিগী লুচিংবা অমনা উত্তর প্রদেশকী বরানসি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্ট অমদা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপদা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবা পিটিসন অমদি বরানসিগী এদিসনেল চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট উজাৱাল উপধ্যায়গী কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

কোর্ট অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা অদুনা রাহুল গান্ধীনা ঙাঙখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী য়ুনিটি অমসুং সোভরেন্টিগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফমশিং য়াওখি হায়না চার্জ তৌরকখিবনি।

অমরোমদা, সুরট দিষ্ট্রিক্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটনা রাহুল গান্ধীবু ফাদোক পীবগী ওর্দর লাউথোকখিবগা পন্থদনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা পার্টি অসিগী মশীং য়াম্লবা থৌমীশিং থোরক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। মখোয়না রাহুল গান্ধীবু শৌগৎলদুনা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ভোইসপু নমথরে হায়খি।

প্রোটেষ্ট অসি কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা কোংগ্রেস ভবনগী মমাঙদা চথবা হৌরকপদা পুলিসনা মখোয়বু কংলারোমদা চৎতনবা অথিংবা পীখি। প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা রাহুল গান্ধীদি অরানবগী মায়োক্তা অচুম্বগীদমক লেপ্পনি, ঐখোয় গান্ধীনি, সভারকর নত্তে অমসুং রাহুল গান্ধী মরাল লৈতে হায়বা স্লোগানশিং লাউখি।

প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় এন ভুবেন্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা সুরটকী কোর্টনা পার্টিগী লুচিংবা অসিগী মায়োক্তা পীরক্লিবা সেন্টেন্স অসিগী মায়োক্তা হায়র কোর্টতা আপীল তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১০শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অসি লৈঙাক্লা মায়োক্লবদা মীয়ামগী তেংবাঙ অমসুং সজেসনশিং পীবিয়ু হায়খি।

লৈঙাক্লা চঙশিল্লক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেইন অমসুং রিজর্ভ ফোরেষ্ট ঙাক শেন্নবগী থবকশিং অসি তুংদা মণিপুরবু হেন্না ফবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগীনি। থবকশিং অসি লৈঙাক্লা ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা নত্তে হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী জুদিসল সিষ্টম হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলি হায়রদুনা লুপা ক্রোর ৩১.৮৫ চঙনা শাগৎলিবা তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী বিল্ডিং চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকীদমক জি প্লস থ্রীগী এনেক্স বিল্ডিং শাবগী থবকসু লোইশিল্লগনি। অদুগা লুপা ক্রোর ১০.৪০ চঙনা ককচীং অমসুং সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সশিং শেমগৎলগনি। অদুগা মাওদনা লুপা ক্রোর ৪.৫৩ চঙনা জুদিসল ক্বাটর অমগা লোয়ননা সিঙ্গল কোর্ট বিল্ডিংসু শাগৎলগনি হায়খি।

উখুলগী ক্বার্টর কমপ্লেক্সতা জুদিসল টাইপ-৬ ক্বার্টর, কম্পাউন্দ ফেন্সিং অমসুং গেটনচিংবসু লুপা ক্রোর ২.৫৭ চঙনা শাগৎলগনি হায়খিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জিরিবামদসু দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট অমা থম্নবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

এন আই এ অমসুং সী বি আইনা পায়বা কেস ১০০ রোম য়ৌশিল্লক্তুনা মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলদুনা হৌজিক লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজশিংনা ৱায়েল চথবা য়ানবা এন আই এ অমসুং সী বি আইগী স্পেসল কোর্টশিং অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়খি।

থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা কোর্ট অসিগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা হৌখিবা চহী খরদা পায়খৎলকখিবা জুদিসল সিষ্টমবু হেন্না ফগৎহনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পনখিবগা লোয়ননা রেভন্যু দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌজিক ফাওবা হাংদোক্ত্রিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টশিং হাংদোকপগী মথৌ তাই হায়খি। থবক অসি ফেজ মেনরদা পাঙথোকপগা লোয়ননা জুদিসল সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফংবদা চীং অমসুং তমগী হায়না খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা জুদিসল সিষ্টম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরগী পাক শন্না উবা মীৎয়েংগী মখাদা অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্তুনা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রামগী মনুং চন্না মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী দিরেক্টর জষ্টিস কে ঐচ নোবিননা ৱার ওন দ্রগসগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা মহাকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি হৌদোকখিবা থৌরমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়রমেন উৎপালেন্দু বিকাস শাহ, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিং অহন্থেম বিমোল অমসুং এ গুনেশ্বর, এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চেয়রমেন এস ব্রজবিহারি, হায় কোর্ট বার এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই নিরমোলচান্দ, ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি তোমচা, জজশিং, সিনিয়র এদভোকেটশিং অমসুং লৈঙাক্কী সিনিয়র ওফিসলশিংনসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঈশিং হায়বসিনা ঐখোয়গী পুন্সিনি অমসুং ঈশিং য়াওদ্রবদি ঐখোয়না হিংবা ঙল্লোই হায়না ঙরাং খুমন লম্পাক্তা পি ঐচ ঈ দিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা 'ৱর্ল্ড ৱাটর দে' ২০২৩দা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

'এক্সিলরেটিং চেঞ্জ' হায়বা থিমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা বিষ্ণুপুরগী সেন্দ্রাদা পন্থুংফম ওইগদবা ৱাটর কঞ্জার্ভেসনগী বাইক রেল্লি অমসু লমথাখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মমাঙগী টর্মদগী হৌরদুনা লৈঙাক্লা গ্রীন মিসন মণিপুরদা হেন্না মীৎয়েং থমখি অমসুং উমং-ৱামং অমসুং উপাল হায়বসি ঈশিং ফংহন্নবগী শেৎতোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়খি। হৌজিক রিজর্ভ/প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী লমশিং ঙাক শেন্দুনা কনসি হায়রিবসি মীয়ামগীদমক্তনি। মরু ওইনা উমংগা খ্বাইদগী নকশিন্ননা লৈবা মীয়ামগীদমক্তনি হায়খি।

পি ঐচ ঈ দি, ৱাটর রিসোর্সেস অমসুং উমং লোয়শঙগী ইঞ্জিনিয়র অমসুং ওফিসলশিংনসু পাক্কন্না উমং কোকথোরক্লিবা মফমশিংগী মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগীদমক রেল্লিনচিংবা থৌরমশিং শীনবগা লোয়ননা উমং-ৱামংবু ঐখোয় ইশা ইশাগীনি হায়বগী ৱাখল্লোন চেলহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

**SUBSTITUTE SERVICE**

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE (JUNIOR DIVISION) : BISHNUPUR, MANIPUR**

**Original (Declaratory) Suit No. 9 of 2022**

Leichombam Roni Devi

...Plaintiff

-Versus-

Manager Lamjingba Finance & 1 (One) another

...Defendants

**/ SUMMON**

To,

**Branch Manager**,
Lamjingba Finance Uripok Branch, P.O. and P.S. Imphal,
Imphal-West District, Manipur - 795001.

Whereas, the above named Plaintiff has instituted a suit under Section 31 and 34 of the Specific Reliefs Act, 1963 against you for declaratory decree. You are hereby summoned to appear in this court in person or by a pleader duly instructed, and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person able to answer all such questions, on the **31st March, 2023** at **10:30 am** to answer the claim and further you are directed to file written statement of your defense and to produce on that day all documents in your possession or power upon which you base your defense.

Take notice that, in default of your appearance on the before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of the Court on this 13th day of March, 2023.

SEAL

By: **L. Brojen Singh**
Advocate

Sd/- **Leonid Ahanthem**
Civil Judge Junior Division,
Bishnupur, Manipur

HL-P/6344/24

# বাংলাদেশকী কুনাওগাওনদা সনামহী শঙলেন অমদি শোন্নপুঙ শঙ্গারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২৭তগী লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীওই ১২না শাবা টিম অমা বাংলাদেশকীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মখাদা বাংলাদেশকী কুনাওগাওনদা সনামহী শঙলেন অমদি শোন্নপুঙ শাবগী উরেপ তম্বা চৎনবা মীওইশিংদা য়াইফ থৌজাল পীবদা শরুক য়ারদুনা বোর্দ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাপতি সেঞ্জমনা ফোঙদোকখিবনি।

অসিগুম্বা শঙলেন অসি শাননবগীদমক বোর্দ অসিগী মীৎয়েং মখাদা ফন্দ দ্রাইভ কম্মিটি অমসু শেল্লে হায়খিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিগী কনভিনর ওইনা শৌগ্রাকপম হেমন্তবু খনখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিদা রঙ্গিলাল অমসুং হেপি রাজেনসু য়াওরি হায়রি।

শঙলেন অসি শানবগী মতেং ওইনা জিরি অপূনবা সনামহী লাইনীং লূপনা লুপা লিশীং ৫০ মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকপগা লোয়ননা বোর্দ অসিগী ঈশৈ লোয়শঙগী কাঙবুনসু অঙম্বা মতেং পাংলকখ্রে হায়রি।

বাংলাদেশতা অসিগুম্বা শঙলেন অসিনা মীতৈগী লেঙদবা য়ূম্বী অমা য়ুংগদৌরিবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা লৈরিবা লাইনিংথৌ-লৈমরেল অনীগী খুভম য়ারিবা ইমুং খুদিংমক্না অঙম অঙম্বা মতেং পাংবীনবসু আপীল তৌরক্লি।

# এন এস সী এন-জি পি আর এনগী...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুং ওংনা খুৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা মহাক্না লূপ অসিগী ৪৩শুবা রিপব্লিক দেদা পীখিবা ৱারোল অসি মহাক্কী নাগা মীয়াম অমসুং নাগা নেসনল ৱার্করশিংদা হান্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লমজিংবীরকখিবা শেন্মীবা মপুবু মহাক্কী থৌজালগীদমক ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী লান্মীশিংদা য়াইফ পাউজেলগা লোয়ননা রেভল্যুস্নরি সেল্যুট পীখি।

নাগা মীয়ামগী ওইনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা ঐখোয়না নাগাশিংগীদমক মাঙজিল থাখিবা অমসুং ঙসিগী ফীভম অসিবু য়ৌনবা শেন্মীখিবা অহলশিংগী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মশাগী ওইজবা পুম্নমক কখোক্তুনা নাগা মীয়ামগী নীংতম্বগী রাইট ঙাক্লবগীদমক থৱায় কৎথোকখ্রবা থৌনা ফবা নাগা ফ্রীদম ফাইটর পুম্নমক্কী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎখি।

অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা নাগাশিংগী লম অমসুং মীয়াম্বু ওৎপী-নৈবীবশিংদগী কন্নবা হোৎনরক্লিবা থৌনা ফবা নাগা লান্মীশিংদসু মহাক্না অখন্নবা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়খি।

লোয়ননা নাগা মীয়ামগীদমক লাম্থেংনবদা য়েক্লবগী খুবামনুংদা লৈরিবা নুংশিরবা থৌনা ফবা লান্মীশিংবু তেক্তা কায়দনা থাদোরকপা ওইরসনু হায়না মখোয়বু নীংশিংখিবগা লোয়ননা শেন্মীরকপা মপুগী মফমদসু থৌনিজখি।

ঙসিগী নুংঙাইরবা নুমিৎ অসিদা কুম্বী কালেন নাইদনা ঐখোয় পুম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা মঙলান মঙফাওননবগীদমক লেপ্লিবা ৱেসিয়া রিজনগী রেভল্যুস্নরি ইচিল ইনাওশিংগী মফমদসু য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়নসু ফোঙদোকখি। -মথং-মথং

## CROSSWORD-3821



**ACROSS**

1. First showing of a film(8)
6. Fool(3)
9. Abate(3,2)
10. Colonist(7)
11. Ridiculous pretence(7)
13. Synthetic fabric(5)
14. Whitening chemical(6)
15. Brigand(6)
18. Broadcasting medium(5)
20. Pseudonym(3,4)
21. First(7)
22. Subject, topic(5)
23. Express(3)
24. Extend(8)

**DOWN**

2. Go over again(7)
3. Chart(3)
4. Festival in spring(6)
5. Divert(9)
6. Mixture of metals(5)
7. Fortified(12)
8. Bramble fruit(12)
12. Hermit(9)
16. Local language variation(7)
17. Handsome Greek god(6)
19. Make into a god(5)
22. Sudden abrupt pull(3)

**Solution 3820**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5119**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 9 | 4 | | | | | |
| | 4 | 5 | | | 1 | | 6 | |
| | | | | | 9 | | | 3 |
| 9 | 7 | | | 6 | 3 | | | |
| 4 | | | | | | | | 5 |
| | | | 8 | 9 | | | 7 | 2 |
| 2 | | | 9 | | | | | |
| | 5 | | 1 | | | 8 | 9 | |
| | | | | | 8 | 7 | 2 | |

**Solution-5118**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 3 | 9 | 2 | 7 | 6 | 8 | 5 |
| 8 | 5 | 2 | 4 | 3 | 6 | 1 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 6 | 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 4 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 7 | 3 | 4 | 6 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 1 | 4 | 9 | 3 | 5 | 2 |
| 2 | 3 | 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 4 | 8 | 1 | 3 | 9 | 5 | 7 | 2 | 6 |
| 3 | 2 | 7 | 8 | 6 | 4 | 5 | 1 | 9 |
| 9 | 6 | 5 | 7 | 1 | 2 | 8 | 4 | 3 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023 Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### RIMS IMPHAL RECRUITMENT 2023 FOR 54 NURSING OFFICER

Vacancy Circular No: -

Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Nursing Officer Recruitment 2023
Advertisement for the post of Nursing Officer in Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 28th March 2023. Candidates can check the latest Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment 2023 Nursing Officer Vacancy 2023 details and apply online at the aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment 2023 page.
Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ aiimsrishikesh.edu.in/. Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Nursing Officer
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 54 Posts
Educational Qualification: Candidates possessing at least PUC/ HSSLC or its equivalent qualification from a recognised University/ Board/Council and (ii) Diploma in General Nursing & Midwifery or equivalent qualification from a recognised Nursing school/Institute.
Pay Scale: INR Level-7 Per Month
Age Limit: 18-35 Years.
Application Fee: Bank draft of Rs. 500/- (Fees is exempted in respect of SC &ST categories) in favour of Director, RIMS, Imphal Payable at Imphal or Cash receipt from RIMS Cash counter.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
please refer to official notification.
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 28th March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

